## এডিটোরিয়েল

# মতম অমগী কৈ ময়া য়াওরিব্রা

*দিমোক্রেসি চৎপা লৈঙাক অমদা মীয়ামগীনি হায়দুনা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী থৌদাং অসি য়াম্না চাওই। মীশিং য়াম্বা লৈবাক অমা ওইবনা ইন্দিয়াদা নেসনেল অমসুং ষ্টেটকী থাক্তা লৈবা হায়দুনা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী গ্রুপ অনি থোক্লা খায়দোক্লগা লৈ। নেসনেল লেবেলদা লৈবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী ওইনা অপুন্বা পার্লিমেন্টকী সিট মশিংগী চাদা মীহুৎ কাবগী চাং অদু য়েংলগা মরুওইনা লাৱার হাউস হায়বদি লোকসভাদা কারিবা মীহুৎ মশিং অদু য়েংলবা মতুং পার্টি অদুগী ইফিসিয়েন্সি অমদি মীয়াম্না য়াবা পার্টি অমা ওইরিব্রা হায়বদুগী চাং অমা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা লেপকনি হায়বসু লৈ। করিগুম্বা টার্ম অহুম্লক ফাওবা অপীবা মশিংগী কাফম থোকপা রিপ্রজেন্টেটিব মশিং অদুগী চাং য়ৌনা মীহুৎ পুথোকপা ঙমদ্রগদি নেসনেল পার্টি অমা ওইবগী রিকগনিসন কক্কনি অমসুং লোকেল পার্টি অমগী থাক্তা হন্থহনগনি হায়বসু ইলেক্সন কম্মিসনগী অপীবা রুলশিংদা য়াওরিবনি । মদু ইন্দিয়াগী পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মীয়ামদা খঙহন্দে অমসুং খঙহন্নিংদে। মসিনা মরম ওইরগা লৈবাকসিদা দিমোক্রেসিগী মরমদা পোলিটিকেল মাফিয়াগী গেঙ খুৎপু ওইনা থোক্লকপা অসি ঙসিদি মীয়াম্না থেঙনরি। মসিদগী লৈঙাক্লোন অসিগা মীয়ামগা লৈনগদবা মরী অদু লাপথোক্লরকই অমসুং মীয়ামগী মীহুৎশিংনা সিটিজেনশিং অসিগা হায়বদি ভোটরশিংগা লৈনবা মরী অদু ভোটিং রাইট লৈবা অমসুং য়োন্বরোমদা চখ্বরকই। মসি সেনিয়ার সিটিজেনশিংদা অদুক য়াম্না এৱায়ার ওইদ্রবসু অনৌবা মীরোলগী ভোটরশিংনদি মুন্না খঙই। মসিগী ৱাফমসি দিমোক্রেসিগী কলচর লৈবা নোংচুপ লৈবাকশিংদা হান্না থেংনখ্রবা ওইবনা য়ু এস এ অমসুং য়ু কে নচিংবা লৈবাকশিংদদি নেসনেল লেবেলদা পোলিটিকেল পার্টি অনিদগী হেন্না লৈত্রে। পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মশিং য়াম্লিবমখে অচুম্বা মীয়ামগী মেন্দেট ফংদে হায়বসি নখোয়না হান্না খঙখিবনা কান্নরোইদবা মীহুৎ–থাগত্তুনা পোলিটিকেল টমোইল থোকহন্বগী খুদোংথীবা কয়াদুগী মহুত্তা মীয়াম্না য়াবা অমসুং য়াদবা পার্টি হায়না অনিখক্তমক লৈহল্লকখিবা ওইবা তাই। মসিগী থাক অসি ইন্দিয়াগী পোলিটিকেল সিষ্টেম অসিদসু তপ্না–তপ্না চংশিল্লক্লিবনি হায়বসি ইন্দিয়ান পোলিটিসিয়ানশিংনা খঙদে। মসিগী অহোংবা অসিনা মরম ওইরগা এলায়েন্স গভর্নমেন্টশিংনা মথং মথং লৈবাকসিগী লৈঙাক পুরক্তুনা লাকখি। মসিদগী য়েংলগা হায়বা তারগদি হৌখিবা চহি ২০ অসিদা মশাগী হক খঙবা সিটিজেনশিংগী মশিংনা পোলিটিকেল পার্টি অমবু নুংশিবিরনি হায়দুনা পার্টি অদুগী অচুম–অরান, তৌখিবা থৌওং কয়াগী অশোইবা খঙদনা ভোট থাদরিবা মীওইশিং অদু ঙসিগী মীরোলগা খেন্নরিবা ৱাখল্লোন অদুদগী থোকপা দিভলপমেন্ট অমনি।*

*দিভলপমেন্ট কয়া অসিদগী য়েংলগা অমসুং ঙসি মণিপুরদা লৈরিবা ভোটরশিংনা পোলিটিকেল পার্টিশিং অমদি মখোয়না পার্টিগী মীহুৎ ওইনবনি হায়দুনা থাগৎলিবা কেন্দিদেটশিং অমসুং মশা–মশাগী পার্টিনা–মীহুৎনা খ্বাইদগী ফরবা পার্টিনি –মীহুৎনি হায়না লাওবসি ঙসিগী সিটিজেনশিংনা তানিংদ্রে। মদুদগী ভোটরগী অপাম্বদু নৈনবা নন–ওফ–দি–অবব হায়বদি 'নোটা' কৌবা ভোটিং মেছিন্দা কি অমা হাপখিবনি হায়বসিসু পার্টিশিংনা খঙবা তঙাইফদে হৌজিক মীখল অমা এদিসিগী ওইনা লাকপদা মমিং থাদবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা মীহুৎ অমা ফাওবা কাদবা বিজেপিনা নত্রগা নেসনেল লেবেলদা খ্বাইদগী মশিং য়ামদনা কাখিবা কংগ্রেসনা নত্রগা মীরেপ কৌরিবা নেসননেল পার্টিশিংগী মাইকৈদগী মণিপুরদা ঙাংনরিবা–হুন্নরিবা অসিদি শামু–মথুন পেনা খোংবা হায়দুনি। মীয়ামগী মেন্দেট লৈনবা হোৎনবা ফত্তে নিং–তম্বা মওংদা ভোট থাদবা য়াহন্নবা শীল্লু, মীয়াম অমসুং ভোটরশিংগী হকতা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা নৈনবীয়ু। মতম অমগী কৈ ঙসিদি ময়া য়াওদ্রে হায়বসি খঙবা ফরে।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

# মরুওইবা পাউ–চে হায়বসিবু করিনো

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

মরুওইবা পাউ, মরুওইবা থবক, মরুওইবা মীশক হায়বদি তাজরে। য়াম্না তোয়না হায়নদবা ৱাহে "মরুওইবা পাউচে" হায়বসি ঈ–পাউগী মরমদা মীয়াম পুম্বনা খৌরাংনা ঙাইনরিবা ওল ইন্দিয়া রেডিও, ইম্ফালদগী তাবা ফংই।

অয়ুক্কী পুং ৭ঃ৩০ গী পাউগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফালদা ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ খন্না নৈনবদা হায়রিবা "মরুওইবা পাউচে" হায়বসি কদাইবু কৌবগে হায়বদু মীয়ামদা খঙহনবীরবদি অনৌবা ৱাহেসিগী অর্থ খঙবা ঙমজগনি।

মসিদা নত্তনা ঐনা খঙজবদা ইম্ফালদা ফোঙবা পাউচেশিংগী মনুংদা ইহান হানবা ওইনা চহি চুপ্পা পাউচে ফোঙগনি হায়না হোৎনজরিবা সনালৈবাক পাউচেবু ইকায় খুম্নবীদবা মানবা থৌওং মরক মরক্তা য়াওদবা নত্তে। হন্দক পাঙথোখিবা য়াওশঙ কুঞ্চে মনুংদসু কথোকপগা লোয়ননা পাউচে অসিনা মীয়ামগী মফমদা ঈ–পাউ য়ৌহন্নবা পাউচে অসিনা লেপ্তনা ফোঙলি হায়জনিংই।

অতোপ্পা পাউ–চে ফোঙদবা মতমদা ফোঙখিবা পাউ–চে অসিবু এ আই আর, ইম্ফালদা য়ৌরক্তবা ওইরবা জাৎলা। মদু নৎত্রগনা অতোপ্পা করি মরম লৈবদগী ইম্ফালদা পাউচে অমত্তা ফোঙদ্রে হায়খিবনো হায়বদুসু খঙহল্লবদি এ আই আরগী চৎনা কাঙলোনগী মরমদা খরদা ওইরবসু খঙবা ঙমগনি হায়না খল্লি।

মসি পুম্নমক্কী মরমশিং তশেং–তশেংনা হায়বা নৎত্রগা পিবা ঙমদ্রবদি এ আই আর ইম্ফালদা মীয়ামগী থাজবা অমদি লৈনরিবা অচেৎপা মরীদা খুরৌ থাংবা ওইনা থোক্কনি হায়জনিংই। হোয় হৌখ্রবদি হৌখ্রে চমথোক্লরগা য়াবা ঙাক্তনি।

মতুং তারকপদি এ আই আর ইম্ফালনা পুকচেল শেংনা থম্মোয় শেংনা থবক তৌই হায়বদু খঙহন্নবা অশোই অঙাম য়াওদনবা চেকশিন্না হোৎনবীগনি হায়বগী থাজবা লৈজরি হায়না মত থমজরি।

*অদোমগী*
*কে. সুনামণি সিংহ*
*মোইরাং*

# ঐনে ঐ

হৌজিক নাকেন্থা লোয়খিদুনা য়েন্নিং থা চংশিল্লক্তুনা মালহৌনবা মতম হায়বদুনি। মীখল পাম্থা ওইবগী ভোটর প্রজাশিংসু মথুম–মরাং হৌনবা, য়াওশঙ থাবল মখা শমথবা, চীঙ্গোই বারুনি খুরম্বা, শজিবু কুমহৌ চৈরাওবা, শাইওন য়াম্বা মহাক্কী চীংউ খুভমশিংদা লাইথৌ তিনথৌ, লাইশোন– তিনশোন শাগোন্না মপু মাবু পুক্লিংদা চেৎনা থাগোন্নজবা, থৌজাল, লন নিজবা পুক্লিং পেন্না নিংজবা, পুম্নমক অসিগী মথক্তা মথেল লুক্কোয় মচলগুম ছানা থোংবা, চাকহাও পোইরৈতোন, শঙ্গোম ক্ষের অসিগী মথক্তা অমুকসু নোংমাখা শুক্তানি খাখ্রবা থম্মোয় মথক মখা ওনবা ঙম্বা মহাও পীবা ঙম্বা থানি।

চাখ্রিবা পোৎ পুম্নমক অফবা ওম্থোকপা ঙম্বা শুক্তানি। শুক্তানিবু মশিং অয়াম্বনা থৌওইনবা য়াওবগে? নোংফালুক কৎপা থৌরম অমদা ইয়াম্বা মাইস্নাম নোরেন্না পরেং থংননা ফম্মিন্নদুনা লুক ফংমিন্নবদা, ঐঙোন্দা শুক্তানি সিচাউ কান্নবনি তাকপিখি। মদুদগী ঙসি ফাওবা শুক্তানিগী কান্নবা কাউজদ্রি। শুক্তানিগী কান্নবা খঙদ্রিবা কয়া মীখল মতমদা কৈথেল নংনবা মীরেপ ওইনা চোংথোকনরক্লি। মসি অঙকপনি হায়বসু য়াই। অমরোমদসু মীওনবা লোয়দ্রিবা মীদি মাল্লবা অদুগুম্বা মশিং য়াম্না মেজোরিটি ওইরিবা খুন্নাই অমনি হায়বসু য়াবা জাৎনি।

মীগা–শাগা খেন্নরিবসি অফবনা অসিনি ফত্তবনা অসিনি। অফনবা কদায় ফাওবা মীওইবা খুন্নাইদা কদায় ফাওবা হিংনবগী তঙাইফদবা লমবী পীরিবদুনি অদুগা ফত্তবনা কদায় ফাওবা মীওইবা খুন্নাইদা অকিবা ফংনা মাং তাকহল্লিবা অসিনি খেন্না হায়বদুনি। ভোটসিবু মীখলদা শেল চাওনা থাদদুনা খরচ তৌবা ঙম্বা মীশক্লা মতিক চাবা মীরেপ অমনি হায়বা ৱাখল্লোন অসি।

মীখলদা শেলগী শক্তি মপাঙ্গল অসি অসুক্কী মতিক কল্লি। ন্যুক্লিয়ার বোমদগী শরুক চামা চামা হেন্না কল্লি উৎলি। মসি ইভোলুসন্দা য়ুম্ফম ওইবা সোসিয়েল সাইন্স খঙবা। সোসিয়েল প্রোব্লেম্বু করম্না সোল্ভ তৌগদগে খঙবা মীওইদদি করিসু নত্তে হায়বা য়াই। অমরোমদা নোংমগী হিংনবা লাম্থেংনরিবা মীওইদদি তায়োন্নবা অমনি হায়না খল্লি। অসিগুম্বা ভারতকি চাদ মরিফু ওইরিবা মশিং থিঙমদ্রবা প্রজা ভোটরশিংদা ক্রোর, ক্রোর ক্রোরপতি কয়ানা অচৌবা শেঞ্জাও থাদদুনা ভোট কাবা হায়বসি অরুবা অমদি নত্তে। ওর্গনাইজেসন মশক খঙদ্রিবা পার্টি অমগী কন্সটিট্যুসন মশক খঙদ্রিবা। ক্রিটিসিজম অমসুং সেল্ভ ক্রিটিসিজম্না করিনো হায়বা খঙদ্রিবা কয়া মীখল মতমদা শেলবু পায়রবদি হেক্তা ভোট লেপ্পা য়ারে হায়বদুনা তৌরগে মতাগুম্না মীখল মতমদা মীচম মীয়াম্বু লল্লোনপোৎ ওম্থোক্তুনা লৈঙাক চুপ্লিবু শেন্দান পাম্বে অমা ওম্থোক্তুনা চহি কয়া লিশাৎ শিৎনা চখদুনা লাক্লি। অসিমক্তনা ঙসিদি অচুম্বা লৈত্রবা লমদম অমা ওইরক্লি। অচুম্বা লৈত্রবদা কনানো নিংবা কায়রোইদবা। নিংবা থুংগদবদি শুপ্নগী নঙসে নিংথৌদু মঙায়রেনে হায়বা য়াবা আইন চঙদবা মহাক অদুদনি নিংবা থুংবা নিংবা কায়দবা।

মীচম মীয়াম্না কৈদৌনুংদা নিংবা থুংবা, অচুমবা ৱায়েল ফংবা ওইথোক্লবগী মরম লৈতে হায়জনিংই। মরমদি শুক্তানিগী মশক ওইরিবা ক্রিতিসিজম অমসুং শেল্ফ ক্রিটিসিজমবু য়াবা কনাবু লৈরিবগে? কনানবু ক্রিটিসিজম মফম মতম চানা শীজিন্নবা লৈরি। ঐগী, ঐখোয়গী ফত্তবা অশোয়বা পুথোক্তুনা ফননবগীদমক মীয়াম মমাংদা পুথোক্তুনা নৈনবা য়ারোই অসি নৎত্রা ? ঐনা হায়বা য়াদ্রবদি হাৎকনি তুপকনি অসি নৎত্রা? রাইট তু ইনফোর্মেসন মথৌ শীজিন্নরুবদা পুন্সি লমদাং তেনখিবা কয়াসু য়াওখ্রবনি।

ইনফোর্মেসন খঙনিংবা কয়া য়েক্লবা ওইনা লৌখিদুনা মীওইবা খুন্নাইগা তৎনখিবসু কোঙ্গাইনি। মসিগী লিচৎ অসি ক্লাস নাইবা করপটেদ সোসাইটিগী মচৎ অমনি হায়রোইদ্রা? ভারত বর্ষগী দোমিনেন্ট ক্লাস (খুদুম চনবা ঙম্বা) মিদল ক্লাস অদুগা সবোর্দিনেট ক্লাস (মখা থাবা কাংবু) খ্বায়দগী শুকশোই শোইদনা অৱা–অনা মরম চাদনা খাংলিবা নঙলিবা ক্লাস। সবোর্দিনেট ক্লাস, ক্লাস অসিগী মীওইশিংনা দোমিনেট ক্লাসতা লৈরিবা ক্রোরপতিশিংবু মীখল মতমদা শেলগী মতেংনা মেজিক, মোন্দ্রং শান্নদুনা মঙলৈবাক্তা পুদুনা চৎলি। অসিগুম্বা উতোপিয়ানা ত্রেন, অসি লৈরিমখে মীচম মীয়াম্না হিংবগী মহাউ খঙদনা অদুম্মক পুন্সি লোমখিবা নত্তনা করি উপায় লৈরি। শেলয়েল ভোটতা খুখারিবমখে হিংনা হিংনা অশি লৈবাক্তা খোং থাংজিল্লবনি হায়জনিংই। দিমোক্রেসিনি হায়রগা মীখলদা শেল থাদদুনা লৈব–য়োনবগী মচৎ অমদি মপাম্থোংদা মখুৎ লোন্নরগা মনুংদনা ঐনা হায়বা ইন্দবা য়ারোই। অসি নৎত্রা ঙসিগী মীখল মচৎ। মপুন্সিগী রাইটপু মশক খঙদনা মশাবু য়োম্থোকচরিবা কয়ানা ঐগী রাইট মাংহল্লে, হিউমেন রাইট মাংহল্লে হায়বসি চুমগদবা মান্দে। মীখল মতমদা রাইট পুম্নমক য়োম্থোকখ্রগা। হিংবগী মতমদা ভোটিং রাইট, কষ্টমর রাইট, হিউমেন রাইট লায়না থাদরক্কদ্রা? করিগুম্বা তাঞ্জাদা নিঙাই শংদানরকপদা ঐনে ঐ হায়বদু চন্নফম লৈখিগদ্রা?

**– মমি লুৱাং –**


# মীতৈ ইমাগী লাইবাওনিকোঃ এডুকেসনদা অরাম্বা মীৎয়েং থমগনু

পারি ইমোম নুংশিবশা! লমদমসে লাইরবনা মশিং য়াম্বনিদো,কাওবরনে নখোয়বু! ইমাগী ইবুংঙো ঙানগী থৌবুরোই ওইরিবও পারি নঙগী–নশাইগোনশি মীৎয়েং য়াম্লেদো নিংশিংদবরা নঙবো! পারি নঙনা য়েলহৌঙে মতমদা হৌনা হৌনা লাওখিবা ক্বালিটি এডুকেসন ঙসিদি ওন্ন–তৈনা ক্বান্টিটি এডুকেসন ওইনা উরেনে নমা ঐদি । পারি নঙগী নখা–তাবশিং মবুকচেল শেংদবা য়াওইনে, ফত্তবশিংগা সঙ্গ তৌরবদি চোপ্পা ইকায়বা অৱা–অনা নঙবা হায়বসি কাওগনু। লৱার থাক্ত লৈরিবা স্কুলশিং অমদা ওঝা তরুক তরেৎ হেন্না থমদুনা ছাত্র–ছাত্রীনা অনি–অহুম খক লৈরগা করম্বা ক্বালিটিনো পারিনা পুথোকপা পাল্লিবসে? থাগী তলবতি ক্বালিটি ক্বান্টিটি পুন্না অনিমক ৱাওমখে য়েম্থোক্লি। থম্বদা কান্নরোইদবা ওঝানি হায়বদা চান্নদ্রবা কয়া অমা তরেৎকী শেঙ্গাও পাইবা হৈবা হৈবী কয়া অমা খনগৎপদা থৱাই য়াওবনদি ক্বালিটি পুথোকপা ঙল্লোইদো। প্রাইমারি স্কুলশিং সরকারগী ওইনা লৌথোক্লবা থৌরাংবু খন্থদবদি এডুকেসন্দা মায় পাক পঙল্লোই। য়েংশিন্বীনবনি হায়দুনা শেলগী শেঙ্গাও অচৌ অচৌবা শেমদুনা পীরবসু ঙসি করম্বা সরকারগী স্কুলশিংদগী মশক থোকপা মহৈরোই পুথোকপা লৈরিব্রা? শেল ওইনা ফংনবা ফগৎনবা মরন্নাই শেম্থোক লম্বী শেমদুনা সরকারনা। য়াম্লবা শেনফম পীরফাওবা ওক্তবগী লাইচুরবশিংবু ওঝা ওইনা থল্লিমখে সরকারগী স্কুলশিং লৈতবনা ফগনি খল্লুনে। স্কুলশিং নিংথিনা য়েংশিন্বীনবা লৈতবনিনা অরেম্বদা শেল মাংহল্লিবসি পারি নঙদি খঙদবরা ? লমদমসিদা লৈরিবা সরকারগী লোইশং পুম্নমক লোইনমক সিনা ফৈ হায়বা খন্দোক–খঞ্জিন ঙমবা অমত্তা উদেনে পারি ইমোমশা। লোইশং খুদিংদা লৈরিবশিং অসিদা থবক তৌরিবশিং গান্ধি নিতি চৎচবা ঙাক্তা ওইনা লৈহম্বনিনা গান্ধি মরুওইবা লোইশংশিং পুরিবা থৌপুরোইশিং মখোয়সু গান্ধি নিতিদা ঙাওজবা পাম্বা ঙাক্তনিনা লোইশং খুদিংমক গান্ধি নিতি খংদ্রবদি থবক অমত্তা মতম চানা তৌদ্রে। লমদমশিবু ফননবা শেমদবা য়াদে অশোয়বশিং লৈরমলবসু চুমথোক্লবা খম্বা ঙম্বা মন্ত্রি মশুলসু য়াওদরেনে পারি ইমোম নখোয়বু। পারি ইমোম নখোয়সু তাজিন্দা হৌ হৌ লাংলমগনি 'দুগা মখা তাবদদি অমা চৎখি অনি চৎখি মথং মথং মেক মা হেক লাওদনা অদুম মখা তাহন্দবগী থবকশিং মতম চুপ্পা থাদোক্ত্রবনিনা সরকারনসু থৌশাদ্রবনি খংউদো। খোঙজং খুদিংমক সরকারগী মায়কৈদগী ফাথনবা মতম য়েথোক্লবা থম্বদা নখোয়না মখোয়বু থাজরি। মখোয়দি নখোয়বু কাওথোক্লবা অশাওবা কয়াবু হন্থনবগী থৌরাং লোইনদুনা হায়দবরো–থৌদোকশিদা চেন্নবশিং অমত্তা লেম্না থারোই, ওইনিংবা জাতী ওইসনু ঐখোয় মখোয়বু কল্লোই অথুবা মতমদা ফাননবা থৌরাং তৌগনি ৱাহে ৱাতা ফজবা ঙাংলিবনি। চীন্ফা ওইনা পুদুনা লৈরবা মন্ত্রিশিং কয়াগী চীম্বাল খোইহীদা থাজদুনা মতম য়েথোকপদা নখোয়সু য়ারবনিনা থবক অমত্তা মপুং ফাদরি। হৌজিকসু আই এল পি মতম ঙাইদুনা লৈহন্নবা থৌরাং পুথোরকপদা য়াদুনা লৈরিবসিনি। পারি ইমোম নখোয়গী অপাম্বা অনিংবা হৈনবী পুম্নমক সরকারনা খংলবনিনা মখোয়না পুনিংবা মাইকৈদা হুমদুনা পুরিবসে কাওগনুকো। এডুকেসন মঙাল ফংদ্রবা প্রজা কয়া লৈরিবমখে অফবা সরকার অমা পুথোকপা হায়বসি তরাইবা নত্তে অদুগীসু মথক্তা চাবা ফংদবা হুমাংতাবা হৈতবা অহাওবা চানিংবী চানিংবশিং লৈবনিনা মপী মপা ওইরি। এডুকেসনগী লমদা লৱার ক্লাসশিংদা মিড ডে মীল কনানা চারি? টেবলদা চাথোক্লি, পিজরি মন্ত্রি মখুৎনা টেবলশিংদা এডুকেসন লোইশং অসি য়াম্না মরুওইবনি হায়বা খঙলবা মীওইশিংনা শেঞ্জাবুং ওম্থোকপদা মরী লৈনবা অঙম অথৌ পুম্নমক হোয় মায় হায়দবসিনা ক্বালিটি লৈহন্দবনি কাওগনুও। এডুকেসনদা অফবা অহোংবা পুখৎনবা হোৎনবগী ওন্ন–তৈনবদা ওইনা পুথোকপা মরমদগী ঙসিদি মালেমসিদা লমদমসিগী এডুকেসন লমদা অশোম্বা ওইরিবনি । লমদম অসিগী অহাম্বা–মিংচৎ পুরক্লবা –এডুকেসনগী অচৌবা মঙাল য়াওরবা অৱাং নোংপোক ভারতকী ওইনা অহুমশুবা ওইরিবা ওটেনোমস কলেজ অমবু হন্না য়েংদবমখে সরকারনা লৈথোক্লি। নোংমতা লাক্তুনা কলেজ অসিগী অৱাৎ–অপা করি লৈরি হায়বসি সরকারনসু য়েংদে,কলেজ অসিনা লৈরুরিবা মফম অসিগী কেন্দ্র মীহুৎনসু নোংমতা লাকপসু উদেনে। কেন্দ্রদুগী মীহুৎসু ওইবদা নত্তনা সরকার শেম্বসু য়াওরিবা মহাক্লা য়েংশিন্বীবা ঙমদ্রবনিনা অতোপ্পনদি করম্না থৱাই য়াওবিগনি পারি ইমোমশা। এডুকেসনগী থৱাই অসিবু মীরাইরবা পারি নহাক্কী ৱাশক পুম্নমক অরেম্বা তারক্লগনি থাজৌও। মীতোপনি হায়রিবা কাংলুপ কয়ানা লিংজেল মান্নদুনা লমদমসিদা চংশিল্লক্তুনা মরমদমনি হায়না চেজায় কয়া চায়থোক্লিবা, লমদমসিগী লাইরিক হৈবশিং ঙসিদি মরোল থোক্তনা লৈরিবা মদুগী মরুমদা মীতোপ্না শন্দোক্লিবা অরাম্বা পাওজেলশিং চুমহনগদৌরিব্রা? মন্ত্রি মগুলশিং কনাগীদমকনো ঙসি মন্ত্রি ওইরিবসে? লমদমসিগী ওটোনোমস কলেজ অমা ওইরক্লিবা অসি মখা তাবা কয়া অমসু হাংদোকপা ঙম্লবা পারি নঙসু চঙশিন্দুনা শেমগৎ শাগৎনবগী থৌরাং লৌখত্তবা করিগীনো? ওটোনোমস ফংলকপসিদা হরাওদুনা মখা তাবা ফগৎনবা কোইচেন চেন্দুনা হোৎনগেদি হায়দদনা য়েক্লবদা য়েংগদবা মীৎয়েং খনগদবা ৱাখল কলেজসিদা উৎপা হৌনদেনে পারিও। নঙনা পামজবা ক্বালিটিগী মগুনশিং ওটোনোমসসিদা লোয়না য়াওরিবনে মুন্না খল্লুনেহে। এডুকেসনদা লৈরিবা ওটোনোমসপু এডমিনিষ্ট্রেসনগী ওটোনোমসকা মান্নবদৌনা ওটোনোমস কলেজ অসিদা ৱারৌ পুরৌবদৌনা অঙম্বা কয়াসু য়াওরিনেহে পারিও। নঙনা পামজবা ক্বালিটি অদু ফংনবা কলেজ অসিদা য়ৌশিন্নবা ৱাখল খল্লোদো পারি নংবো। পরিক্ষা য়াওদ্রবদি পাস তৌবা য়াদে অদুবু লমদমসিগী অঙম–অথৌশিংনদি পরিক্ষা ফমদ্রবসু এম সি এস কাসু হেক্তা ফংহল্লিদো অদুগুম্না ওটোনোমস ওইগে খন্না চে চাং পিশিন্দবশিংবু ওটোনোমস কলেজ করম্না ওইরক্কনি। খোঙ চোৎলগা চিন চোৎলি হায়বফাও খংজদবা অঙম অথৌনা মকোক ওইদুনা লৈবগী হৈনবী থমগনুও। কৈনা তোকপা পোকপরা হায়নবগুম এডুকেসন্দা অচুম্বা চৎপা করম্বা মন্ত্রি য়াওখ্রবগে হায়নরিবসি তাদ্রিবরা? তাদ্রগনা ঙসিদগী তারবনিনা হোংদোক্লবা অকম্বা ৱাখল্লোন শাগৎপগুম হৌরোনে। পারি নঙনা নিংশিংগদবদি ওটোনোমসকী কলেজ অমদা চেল্লিবা মগুণশিং, মসিনা কদায় ফাওবা কান্নবা ফংলিবা নৈনফমবু থোক্তবরা? হান্নগী–মতৌগুম্না তৌবা য়াদবা কয়ানা খুজিং ওইরক্লবা ঙসিগী ওটোনোমস কলেজসি অথুবা মতমদা মপুং ফারবা কলেজ অমা ওইহন্নবা–খোংথাং থাংবিরে। পিকখ্রবা নাগালেণ্ড ষ্টেটসিদা কলেজ অনি ওনখ্রবনি হায়বসি নিংশিংলগা লমদমসিগীসু অহেম্বা কয়া লৈহন্নবা নখা তাবশিং জ্ঞান তাহম্বা চংই। পারি নঙনা করিগী হৌজিক ফাওবা–কলেজ– অসিদা চত্তুনা অৱাৎ অপা য়েংশিন্দবসি নঙগী করম্বা কলেজসিদা লৈবনো? নমা ঐনা পাম্বদি হায়নিংবদি অসিগুম্বা ওটোনোমস কলেজ অমা হিংহম্বা ঙমলবদি ওটোনোমসকী তোপ–তোপ্পা খেন্নবা কয়া খংদুনা মখা তাবা কয়া অমসু নহাক শোইদনা পাম্মক্কনিদো পারিওঃ মদু ঙম্লবা মতমদুদদি নঙগী ক্বালিটি এডুকেসনদি পরেং শানা ওটোমেটিক ওইনা থোরক্কদৌরিবনি খংউদো পারি নুংশিবা। লোইশং অতৈগীদা কোইথোক্লুগে তৌরম্বনি অদুবু পারি নংগী লোইশংগী নখা তাবশিং অঙম্বা কয়াসিনা তৌরিবা লিলা ময়ামসিদা শাওনিংমবদগী চখোকপা ঙমদদনা ননাক্তা ঙংলরবনিদো। হৌজিক্তি কনাগী মৱা লৌরুদনা ওটোনোমস পুরক্লিবা কলেজ অসিদা অথুবা মতমদা অমুক্তা চংদুনা হংউনে–করি করম লেল্লিবা ওটোনোমস কলেজসিবু? ওটোনোমস খোঙ্গুলবু মুৎলবা লদমসিগী এডুকেসনদি মফম খংদনা–মদুতা তাহন্নবা থৌরাংবা নখাদা লৈরবনি কাওগনু–হৈনা শিংনা চৎলু পারি নুংশিবা। নমা ঐসু ঙাইহাক্তং পোখারগে–চৎলেকো।

**কাংজিয়া মহেন্দ্র**

# লৈবাক লৈহাওগী চাংয়েং

লৈবাক্কী লৈহাওদা থাগদৌরিবা পাম্বী অদুনা তঙাইফদনা চাদবা য়াদ্রবা মচীঞ্জাক্কী মচলশিংদু পাম্বীনা ইরায় লায়না চাবা য়াগদবা মওংদা মরাং কায়না য়াওবা হায়বসি চাথোক নীংবা থুংনা ফংনবা মরুওইবা মরমশিংগী মনুংদা অমনি। লৈবাক লৈহাওশিংবু মরম চুম্না শীজীন্নবা অমসুং চাথোক মতিক চানা পুথোকপা ঙম্নবগীদমক্তা লৈহাওগী ফিভম অমসুং মগুনশিং অদুগী মরমদা নীংথিনা খঙদোকপা তাই। লৈবাক লৈহাওবু চাংয়েং তৌথোকপনা লৈবাক লৈহাওগী ফিভম খঙদোকপা ঙমহল্লি। অসুম্না তৌরবদি লৈবাক্কী অশোয়বদু চুমথোকপগা লোয়ননা মেনখৎকদবা অৱাৎপা মচীঞ্জাক্কী চাং অদুসু খঙবা ঙমহল্লি। অসুম্না চাংয়েং তৌবিদনা ভাবনা শাদুনা হার হাপ্লবদি লৈহাওদা য়াওবা মচীঞ্জাক্কী খল মান্নদদুনা মখাগী খুদোংচাদবা ফিভমশিং অসি থেংনহল্লকপা য়াই।



চাংয়েংগীদমক লৈপাক লৌফম

১। মচীঞ্জাক্কী মখল খরদি হেঞ্জিন্না হাপ্লুরগা পাম্বীদা হু ওইহল্লকপা য়াই। মেঙ্গানিজ, কোপর অমসুং জিঙ্কতা থৌওং অসি য়াম্না তোয়না থোকই।

২। পাম্বীগী মচীঞ্জাক অমা হেঞ্জিন্না হাপ্লুবনা মরম ওইদুনা অতোপ্পা মচীঞ্জাক অমদি অৱাৎপা ওইহল্লকপা য়াই। খুদম অমত্তং য়েংবা তারবদা পাম্বী অয়াম্বদা ফোসফরস হেনজিন্না হাপ্লুরবদি জিঙ্ককী অৱাৎপা ওইহল্লি। থৌওং অসিবু "এন্টাগোনিষ্টিক ইফেক্ট" হায়না খঙনে।

মখোয়শিং অসিদসু নত্তনা হারগী খল চানহন্দনা হারগী চাং হেনজিন্না হাপ্লদগী শেল চঙবগী চাংসু হেনগৎহল্লি। অসুম্না লৌমীশিংনা মশাগী লৈবাক লৈহাওগী ফিভম খঙনবগীদমক্তা লৈবাক লৈহাওগী চাংয়েং শোয়দনমক তৌথোক্কদবনি।

**চাংয়েংগীদমক লৈবাক থৌরাং তৌবা ঃ–**

চাংয়েংগীদমক পুগদৌরিবা লৈবাক খজিক্তং অদুনা লৌফম অমগী মহুৎ শিল্লুগদবনিনা লৈবাক লৌবা মতমদা য়াম্না চেকশিনবা তাই। লৌফম অদুগী অকুৎ–অতোঙ অমসুং শীজিন্নবগী মওংনচিংবগী খেন্নবগী মতুং ইন্না চাংয়েংসু তোঙান তোঙান্না খায়দোক্তুনা তৌগদবনি। য়াম্না হেন্না ফবা নৎত্রগা ফত্তবা মফমশিংদগী লৈবাক য়াওহল্লোইদবনি। লৌরী নত্রগা ষম্ভী লৈপুঙনচিংবগী ময়াদগী লৈবাক য়াওহল্লোইদবনি। থানরিবা পাম্বী অয়াম্বগী মরাশিং অসি ফুটখায় অমরোমদগী হেন্না লুনা চত্তে। মরম অদুনা লৌউ শিংউবগী লৈবাক লৈহাও চাংয়েংগীদমক লৈবাক পেকপদা মদুগী হোয় লুহল্লোইদবনি। লৈফম অদু চোৎলবদি নাপী–শিংবী ফোয়দোক্তুনা কংহনবীগনি। অদুবু মথক থংবা লৈরোলদি খোক্তোক্লোইদবনি। অচান মীরাই নাইদবা মফম তরুক–তরেৎতগী তাদনা লৈবাকশিং অদু পেক্লক্কদবনি। লৈবাক পেকপদা শীজিন্নবা য়াবা খুৎলাই কয়ামরুম লৈ। শেল ইচঙ চঙদনা য়োৎপাক থাঙজৌনা পেকপনা খ্বাইদগী শম্মে। খনগৎলবা লৈবাক লৌফম অমদগী মখা লাওথোকপা, মনিং শুম্বা "V" মওংগী ফুটখায় (ইঞ্চি ৬) অমুক লুবা কোম মচা অমা তৌবিরো। লৈবাক অদু হুন্দোকপীখ্রো। মপানগী নাকল নামদগী য়াম্না পাবা লৈরেল অমা ফকথবিরকও। মদুদি পাত্র অমদা হাপচিনবীরক্লো। মতৌ অসুম্না খনগৎলবা মফম তরুক তরেৎতকী লৈবাকশিংদু লৌবিরগা প্লাষ্টিক নত্রগা চে অমা থাদুনা উরুমদা কংহনবীরো। অতোপ্পা মফমগী উফুল ৱাইফুলনচিংবা ফাওবগা শোক্লহনবীগনু। কংলবা মতুংদা কুপ্না তকখায়বীরো। পুখমগুম্বদা কোয়না শন্দোকপীরো। ময়ায়দা লৈই অনি কারল চিংদুনা মশুং মরি তাহনবীরো। মায়োক্লবা মশুং অনি হুন্দোকপীখ্রো। লেমহৌবা মশুং অনিদু লৌবিহৌরো। মতৌ অসুম্না লৈবাক অদু গ্রাম ৫০০ (কিলোতঙ্খায় খক্তা ঙায়দ্রিবা ফাওবা চখবিরো। গ্রাম ৫০০ গী লৈবাক অদু খাউ অমদা হাপচীনবিরো। অদুগা লোয়ননা লৈপাক অদুগী ৱারোল খঙনবা ইবা চে (ইনফোর্মেনসন সিট) অমা থেৎচিনবীরো। অদুগী মতুংদা লৌউ–শীংউ ওইদুনা অতোপ্পা মচীঞাক অমদি অৱাংপা চাংয়েংগীদমক লৈবাক পেকপদা মদুগী হোয়

**– নবকিশ্বর ঙাংবম–**

লোয়শঙগী লৈহাও চাংয়েং তৌফম অনকপা অমা খন্দুনা চে অমসুং খাউ অনি অদু পীশিনবীরুরো। মফম অদুদগী অদোমগী লৈবাক লৈহাও চাংয়েংগী ফল ফংলগনি।

লৈবাক্কী ৱারোল খঙনবা ঈবা চে অদুগী নমুনা অমা মখাদা হাপ্লি।

**লৈবাক্কী ৱারোল খঙনবা চে ঃ–**

১। লৌমীগী মিং ঃ–
২। লৈফম ঃ–
৩। ব্লোক জিলাগী মমিং ঃ–
৪। লৌফমগী মওং ঃ–
(ক) ইরিগেসন ফংবা
(খ) নোংগী ঈশিং
৫। থাগদৌরিবা পাম্বীগী মখল ঃ–
৬। লৌফমদুগী হৌখিবা চহি ৩ গী ৱারী ঃ–
(ক) থাখিবা চহি
(খ) থাখিবা পোৎ
(গ) হাপখিবা হার মখল অমদি হারগী চাং
৭। অঙনফৌ লৌফম / ফৌরেল লৌফম / ইখোল ঃ–
৮। দাগ নম্বর ঃ–
৯। লৈবাক কয়াম লুনা পেক্লকপা ঃ–
১০। লৈবাক পেক্লকপগী তারিখ ঃ–
১১। অতৈ হায়নিংবা মরোলশিং ঃ–
১২। লৌমী অদুগী সহি ঃ–